HUEIYEN LANPAO

মণিপুরী থিয়েটরদা অকনবা ঈহৌ অমা পীবতা নত্তনা মাইম থিয়েটরগী য়ূম্ফম অমা চাউনা থোল্লক্লিবা ডা. য়ূম্নাম সদানন্দ

- নানি

মণিপুরী কলচরগী মশক অমা চাউনা পুদুনা চৎলিবা মণিপুরী থিয়েটরগী অচঙবা থৌমীশিংগী মনুংদা ডা. য়ুম্নাম সদানন্দসু অমনি। মমাংঙৈদগী হৌনা অহল-লমনশিংনা থোনবীরম্বা লন্নীবু হেন্না মশক থোকহন্নবা অমদি অনৌবা মতমগী মীৎয়েংদা ঐখোয়গী কলচরগী নুংগী ওইবা মরোল নাইনা লৈরবা ফজরোল কয়াবু, লমদমসিগী থিয়েটরগী মায়কৈদগী অনৌবা মীৎয়েং অমদা করম্না য়েংলিবগে অমদি মদুগী মতিক-ময়াই অদু করম্না হাপ্লিবগে হায়বা অসিসু ঐখোয়না য়েংবতা নত্তনা থিদুনা চৎকদবনি। মদুদতা থোরক্লিবা মীশক অদুগী ৰাখল মীৎয়েং অমদি মহাক্কী মায়কৈ অদু উবা ঙমগনি। চুম্নগী ৰারী অমা প্লে অমা ওইনা পুথোকপদা ৰারী অদুদা লৈরিবা ইমোসন অদুনা য়েংলিবা ওদিয়েন্সশিংবু হুমদুনা পুরম্বগী মতম অদু ঙসিদি হৌখ্রে। সাইন্টিফিক ওইবা মীৎয়েং অমদা ঐখোয়নসু য়েংদবা য়ারক্রে। অদু নত্তবা ওইরবদি ঐখোয়গী থিয়েটরগী অমদি অতৈ লৈরিবা পর্ফোর্মেন্সশিংগী অহেনবা মশক অমা থোকপা ঙমগনি হায়বা থাজদে। পংলুদা লুহনবা, ইচম চমজবা য়েংজরিবা অয়েংবশিংবু মকোক ঙাওহনবা প্রদক্সন অদুনা হেন্না মায় পাক্কনি হায়বা কৈসু লৈতে। য়েংলুরগা করি হায়রিনো হায়না ওদিয়েন্স খূদিংমক্না খঙদ্রবা ওইরবদি উৎলিবদুগী করি কান্নবা লৈগনি। মদুনা হেন্না থিয়েটর হিংহনবদা অরুবা ওইরক্কনি। ঐগীদি অরুবনি, মী য়েংবীদ্রবসু য়াই হায়রগদি, মদুনা ৰা অমা ওইখ্রে। আর্টকী পর্ফোর্মেন্স অমা হায়বসি মীয়ামগী ওইগদবনি, মীওই খরখক্কী ওইগদবা নত্তে।

ডা. ৰাই সদানন্দ ময়াম্না বোবি হায়রগসু খঙনবা দিরেক্তর অসিগীদি মরোল থোকপা থোক্তবা, মনা পংবা পংদবা, মমিৎ উবা উদবা, লাইরিক হৈবা হৈতবা, পংবা শিংবা খায়দবা, অনেম্বা-অৰাংবা অমত্তা খায়দনা মীপুম খূদিংবু মহাক্কী ওদিয়েন্স ওইনা কোনশিনবা ঙম্বা প্লে পুথোকপদা য়াম্না হৈথোই শিংথোই। মহাক্কী প্লে মপুম অমা ঐখোয়না তোখায়-তোখায়না খায়দোক্লগা য়েংবা য়াই। নুংঙাইবা, অৰাবা, অরুবা-অরাইবা, কোক শীজিন্নরগা ৰাখল খলহনবা ঙম্বা, ইশম শম্না মখোঙদগীনা মায়ওন ফাওবদা লৈবা খূদিংমক্না মহাক্কী প্লেগী মহাও লৌবা ঙম্মী। অদুগী মথক্তা মহাক্কী প্লেশিংগী ফোর্স অসি অসুক্কী মতিক কল্লি। ৰা ঙাংদুনা হায়বদগী হেন্না শাফু অসি কয়াগী মতিক কনবগে হায়বদু মহাক্কী প্লেশিংদা ইরায় লায়না উবা ঙম্মী। মসিনা মহাক্কী থিয়েটরগী খোঙচৎ অসি ইনখৎলক্তুনা ঙসিদি নেসনলগী থাক্তা শকখঙবা ঙল্লকখিবনি হায়না লৌবা য়াই। ডা. য়ুম্নাম সদানন্দ, সঙ্গীট নাটক একাদেমীগী এৱার্দীনি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী এৱার্দীনি। লোয়ননা মহেন্দা এক্সল্লেন্সি থিয়েটর এৱার্দ (এম ই টি এ) ২০১২ দা মহাক্কী প্লে "মিরেল মশিঙ্খা" হায়রিবা প্লে অদুনা পুন্না নোমিনেসন ৭ (তরেৎ) ফংদুনা খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকখিবা মণিপুরগী তাঙলবা মাইম থিয়েটরগী দিরেক্তর অমনি। মসিগী মনুংদা প্লে অদুগী স্ক্রিপ্ট মহাক মশাম্না ইবা "মিরেল মশিঙ্খা" সু য়াওরিবনি। ডা. ৰাই সদানন্দ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী দিপার্টমেন্ট ওফ কলচরনা পীবা স্কোলারশিপ (১৯৯১-১৯৯২), জুনিয়র ফেল্লোশিপ (১৯৯৭), সিনিয়র ফেল্লোশিপ (২০০৩) ফংদুনা মহাক্কী খোঙচৎ অসি য়াংশিনবা ঙমখিবনি।

ডা. ৰাই সদানন্দ ১৯৬৫ গী ফেব্রুৱারী ১দা য়ুম্নাম লৈকায়, ইম্ফাল ৰেষ্টতা পোকখি। এম এ ইংলিসনি। অদুগা ২০০৮দা পি ঐচ দি দিগ্রী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী ফংখি। মহাক্কী থিয়েটরগী চপ চাবা মচু শংবা হৌখিবদি মহাক্কী লৈকায়মক্তদা লৈরিবা পান্থোইবী নাত্য মন্দির হায়রিবা থিয়েটর গ্রুপ অসিদগীনি। গ্রুপ অসিগী ওজাশিংদগী মহাক্কী থিয়েটরগী অকুপ্পা লৌশিং কয়া অমা ফংজবা ঙমজরকখি। লোয়ননা গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরি ওইনা মতম শাংনা থৌ পুদুনা পান্থোইবী নাত্য মন্দিরগীদমক থবক তৌদুনা লাকখি। সদানন্দদা মাইমগী ৰাখল লাকপা হৌখিবা অসিদি ১৯৮৪ দা পান্থোইবী নাত্য মন্দিরনা থাবুম অমা চুপ্পা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মাইম এন্দ বেল্লেট হায়বা লন্দন জেন মার্টিনগী লমজিং মখাদা শীনবা ৱার্কশোপ অদুদা শরুক য়ারুবদগী মাইমগী মরমদা হেন্না খঙনিংবা অমদি থিজিন্নিংবা লোয়ননা মাইম প্লে তৌনিংবগী ইথিল পীখিবনি হায়না লৌই। মসি মহাক মশানসু ফোঙদোকই। অমুক হন্না ফোরম ফোর লেবোরেটরি থিয়েটর মণিপুরনা নবেম্বর ১৬-৩০, ১৯৯২দা শীনখিবা নেসনল ৱার্কশোপ "বোদি মোসন এন্দ কম্যুনিকেসন" হায়বা অদুনা অমুক্কা হেন্না মহাকপু ময়েক শেংহল্লকখিবনি। মসিগী মখা তারকপদা অমুক হন্না ফোরম ফোর লেবোরেটরি থিয়েটর মণিপুর অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা পুন্না শীনখিবা লন্দনদগী লাকপা মিস সুই ৱেষ্টনগী মখাদা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ "মুভমেন্ট" হায়বা মার্চ ১৫-১৮, ১৯৯৩ অসিনসু সদানন্দবু মাইমদা খূৎ পায়দুনা পুশিন্নবগী লম্বী য়াৎপা হৌখি। মসিগী মখা তারকপদদি মহাক্কী গ্রুপ কংলৈ মাইম থিয়েটর রেপর্টরি লিংদুনা প্লে পুথোকপা হৌরকখ্রে। ঙল্লিঙৈ মতমদা পুথোকখিবা প্লে খরগী মমিং পল্লবদা- **বোটিং, দোল মেকিং, পৱার্স এক্ট, মেজিক বোট্টল, হনুবা হনুবী পান থাবা, মণিপুর** মমিং পনবা য়াই। মসিগী মতুং তারকপদদি সদানন্দগী মাইমগী অশেংবা মশক অমা থোকপা হৌরকখ্রে, মদুগী খুদম ওইবা য়াবা প্লে খরদি- **মাই ওবিদিয়েন্ট দোল, চৈথেং নাউটি বোই, মিরেল মশিঙ্খা, লভ য়োর নেচর, নো বডজেট** নচিংবা প্লে কয়া অমা হৌজিকসু লেপ্তুনা পুথোরক্লি। মহাক্কী মীৎয়েং মখাদা অনৌবা মাইমগী আর্টিষ্ট কয়া অমা পুথোকপদা নত্তনা দিরেক্তর কয়া অমা শেমগৎ-শাগৎপগী মায়কৈদসু য়াম্না খুন্মাং চাউশিন্না চঙশিল্লি। মসিমক মশক নাইবা দিরেক্তর অমদি ওগনাইজর অমগী মতিক চাবা থবক অমনি হায়নিংই। কনাগুম্বনা মহাক মশা মশাগীতা য়েংদুনা থবক তৌনৈ। মঙোন্দগী হেন্না অতোপ্পা অমা থোরক্তনবা মীৎয়েং চঙনৈ। সদানন্দদা মদু উবা ফংদে। মহাক মশানা ৱার্কশোপ দিরেক্তর ওইদুনা অতোপ্পা ওর্গনাইজেসনশিংগা খূৎশম্নদুনা লমদম অসিগী থৱায় য়াওজবা কয়াদা লমজিং লমতাক্তুনা মাইম প্লেবু হেন্না মশক থোকহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনবা থেংনৈ।

ৰাহৈ অমফাওবা শীজিন্নদনা পূক্লিংগী ইঙ্গিৎ কয়াবু হকচাংগী মুভমেন্ট, মীৎয়েং, গেসচর কয়ানা ইরায় লায়না ফোঙদোকপা ঙম্মী, মদুনা ৰা ঙাংবদগীসি করিগুম্বা মতমদা হেন্না ফোর্স পীবা ঙম্মী হায়বা অসি মহাক্কী প্লেশিংদা ময়েক লানা উত্তুনা লাকই। মহাক্কী প্লেশিংনা লীরিবা ৰারী অমদি পুথোক্লিবা মীওইবগী থম্মোয়দা লৈরিবা পেন্দবা, হায়নিংবা কয়া ঙসিগী লমদম অসিদা লৈরিবা লো/এক্ট কয়া অসিনা মীগী মচিন মেন্দুনা ৰাহৈ অমা ফাওবা হায়হন্দ্রবসু মহাক্কী প্লেনা নুংদা হেক লৈরিবমখে তেংথোক্লা হায়বা ঙম্মী। মহাক্কী প্লেশিংদা লমদম অসিগী অরিবা মতমদগী হৌনা চৎনদুনা লাক্লবা ঐখোয়গী ফজরবা কলচরগী ওইবা মশকশিং ময়েং অমত্তা তাহন্দনা মদুদা য়ূম্ফম ওইরগা প্লে কয়া অমা পুথোরকপা অসিনি। মসিগী মথক্তা মহাক্কী ম্যুজিক অসিনসু প্লেশিং অদুগী অহেনবা মশক অমদি অহেনবা ভোইস অমা থোকহনবা ঙম্মী। তুমীন্না লৈবা অসিসু তাববু হৈরবদি মহাক্কী খোঞ্জেল অদু ঐখোয়না য়াম্না হৌনা তাবা ঙম্মী হায়বদু মহাক্কী প্লে অয়াম্বদগী খঙবা ঙম্মী। মসি মহাক্কী থোইদোকপা হে-শিংবা অমনি।

ডা. ৰাই সদানন্দ ঙসিদি লমদমসি খক্তগী ওইনা উবা য়ারক্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা লৈরিবা মাইমগী মুভমেন্ট অসিদা মহাক অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীশক অমা ওইরে। দিপার্টমেন্ট ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দয়ানা মহাকপু এক্সপার্ট কম্মিটিগী মেম্বর অমা ওইনা কুম কয়া অসিদা পর্ফোর্মিং আর্টস অমদি মাইমগী ওইনা জুনিয়র ফেল্লো, সিনিয়র ফেল্লো খনবগী থৌদাং অসি শীন্নদুনা লাক্লি। মহাক্কী প্লে কয়া অমনা ইন্টরনেসনলগী ওইবা ইনভিটেসন ফেষ্টিভেল কয়াদা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী অমদি মণিপুরগী মায় পুদুনা লাক্লি। মহাক্না মালেমগী মফম খরদা চত্তুনা প্লে উৎলুবশিং খরা পল্লবদা- সাউথ কোরিয়া (২০০৬), গ্রীস (২০০৭), মেসিদোনিয়া (২০০৯), অমুক্কসু সাউথ কোরিয়া (২০১১), অর্মেনিয়া (২০১১) অমদি জর্মনি (২০২২) নীংশিংবা য়াই। ইন্দিয়া মনুংগী ওইনদি মহাক্কী প্লেশিং মফম কয়াদা উৎখ্রে। চাউর-চাউরবা ফেষ্টিভেল কয়াদা শরুক য়ানবগী ইনভিটেসন ফংদুনা মফম কয়াদা মহাক্কী প্লেশিং উৎলুরে। মখা তারকপদা মহাক্কী মতিং লৈবা প্লে কয়া অমা লেপ্তুনা পুথোরকখিগনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

মপাল ফরিঙৈ নুপী য়াম্না লোল্লুবগী চৈথেং অহল ওইরক্লবদা অৱাবগী মশক্লি হায়বা উৎলিবা দ্রামা – শরেংদুম চাথোক্কে

মীতৈগী অহল-লমনশিংনা হায়নবা লৈ 'পোইনু লৌরোক থাদদি উচি ফাওবা নুপী লোল্লি'। অসুম্না মীওইবসু মপাল ফরিঙৈ, মরল-মথুম ৰাৎত্রিঙৈ, শঙ্গ-পঙ্গ লৈরিঙৈ মতমদদি মীদি লায়রদনা লাই ফাওবা কিদে। শেঞ্জাও পায়রে, শক্তি লৈরে হায়দুনা নুপী কোয়বদা নত্তনা নুপী লোন্দুনা তোঙান তোঙানবা য়ূম শাদুনা পান্নবা অদুম ময়াওই। মসি লমদমসিদসু লাই হাক্তক্তগী অদুম্মক থোল্লকই। অদুবু মীওইবগী পূন্সিদি শিবা নাইবা পূন্সিনি। মতমগী মতুংইন্না লন-থুম অমদি পাঙ্গল ময়েং তারকই। অহল ওইরবা পাঙ্গল শোল্লক্লবা মতমদা মী-মীদুনা মপাল ফরিঙৈদা পাঙথোকখিবা অফবা থবক্কী মহয়না ফনা অদুগা ফত্তবা থবক্কী মহয়না ফত্তনা ফংবা হায়বসি মহৌশানি। মসিগুম্বা মীওইবগী অকা-অকুম নাইবা পূন্সিগী মশক উৎলিবা দ্রামানি "শরেংদুম চাথোক্কে"।

দ্রামা অসি মণিপুরী দ্রামাগী লূপশিংগী মনুংদা হিষ্টোরিকেল অমদি সোসল প্লে কয়াদা য়ূম্ফম চেৎনা থোল্লকখ্রবা থিয়েটর গ্রুপ অমা ওইরিবা রূপমহল থিয়েটরনা পুথোকপনি। দ্রামা অসি শক্লাইরবা দ্রামা ইবা মনি য়ূম্নামনা ইরগা কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রোনা দিরেক্সন পীবনি। 'শরেংদুম চাথোক্কে' হায়রিবা দ্রামা অসিগী ৰারী মপুংদি মতম অমদা অফাওবা স্পেসল কন্ত্রেক্টর ওইরম্বা থানিললনা মপাল ফরিঙৈ মতমদা তানশিল্লম্বা লন-থুম কয়া অদুনা নুপী কয়া লোন্দুনা অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়ুঙাংনচিংবা থক্তুনা তুংগী খন্দনা নুংঙাইনা মতম লেল্লকখি। অদুবু মহাক্কী থিকাগী শেল মথং-মথং মাঙশিল্লক্তুনা মমৈদা থিকা তৌবা তোকখি। অচৌবা কন্ত্রেক্টর ওইরম্বা অসিনা অহল ওইরক্লবা মতমদদি মহাক্কী মচাশিং ফাওবা মতিক চানা শেন্বী-শাবীবা ঙমদবা মীশক অমা ওইরকখি। মহাক্কী নুপী অহল ইবেমপিশকনা মহাক্কী মপুরোইবসি নুপী য়াম্না লোল্লি হায়বগীদমক ৰারৌই অদুবু থিংলুবদি ঙমখিদে। ইবেমপিশক মচানুপা অনী মচানুপী অমা লৈরম্মী। অদুবু মচাশিং অমত্তা মী ওইনবা শেন্বীবা ঙমখিদে। মচানুপা অহল মেরা ওটোরিক্সো থৌদুনা ইমুংগী মতেং পাংই। মচানুপা য়াইমা লাইঙমদি অয়াম্বা মতমদা য়ু থক্তুনা, ঙাওদুনা নীংবা থুংদ্রবা মীশক্লি হায়না খনবগা লোয়ননা লৈঙাক্লা য়ু লিগেলাইজ তৌবগী নুংঙাইবদা মনিং তম্না য়ু ঙাওরগা লাউ-খোংদুনা অয়াম্বা মতমদা লৈরম্মী। অদুগা মচানুপী অতোনবী মেমচা লাইরিক তল্লি। মপানা নুপী কয়া লোনবনা মচাশিং অসি মীমাঙ থোকপদা ঈকায়বা নংবা ফাওবা য়াওই। নুপী অহল ইবেমপিশক্লা খঙবা ফাওবদা মপুরোইবা কন্ত্রেক্টর থানিললনা লোনবা নুপী মশীংসি তরেৎনি। মহাক্লা খঙদবা কয়া অমসু লৈরি। নুপীশিংদু মচা য়াওরগসু তোঙান-তোঙানবা ময়ূম শাদুনা থমখিবনা অপূনবা মচাশিং কয়ানো হায়বা ফাওবা থানিল মশানা খঙজরমদে। মসিদা নত্তনা মচাশিংসু মচিন-মনাওনি হায়বা মখোয় মশেল খঙনদদুনা কোয়নরকপা য়াই হায়বগী অকিবা ফাওবা থানিলদা মহাক্কী মরুপ কেশোনা হেক হেক হায়রম্মী।

থানিলগী নুপী অহল অমদি মচানুপীনা মফি-মরোল শুবীদ্রবা মতমদা মহাক্লা তুমীন্না মাগী নুপী য়াইমা থরোগী মনাক্তা চত্তুনা শুহল্লি। থরোগীসু মচানুপী লৈশাবী অমখক লৈজে। মমা-মচাদং ঈংনা চিক্লা পাঞ্জে। অদুবু নুপা য়াওদনা পানবা য়ূম্বাননিনা মনিং থুংদবা কয়া য়াওই। লৈকায়গী য়ুঙাওবা তোঞ্জাওনা মচানুপী লৈশাবীবু কোয়গে হায়দুনা লক্লে। অদুম্না উশিৎ-থওইদবা মতৌ থেংনরকপদা মচানুপীনা মপাবু ৰারৌজে। মপুরোইবনা হন্না য়েংবীদ্রবা অমদি অতৈ নুপী কয়া লোন্দুনা লৈখিবগী নুংঙাইতবনা করিগুম্বা মতমদা থরোনা থানিলবু ৰারৌনা হেক হেক হায় 'মহাক শিবা নুমিত্তা শরেংদুম চাথোক্কে'। অদুবু মীতৈ নুপীগী মপুরোইবা নীংজবগী মতিক ময়াই অমা থরোগী মফমদসু লৈজে। মহাক্লা ফনা শাউনিংলবসু মপুরোইবনা মনাক্তা লাকপা মতমদদি অশাউবা পুম্বা মাঙখিদুনা সেবা তৌই, ওইনজে। থানিলসু অহল ওইরক্লবা মতমদদি মহাক্লা নহা ওইরিঙৈদা তৌখিবা থবক থৌরমশিং অদুনা অহলথংদা চোপ্পা, ঈকায়বা কয়া ফংলক্লিবনি হায়না খল্লি। থানিলগী অতোপ্পা নুপী অমগী মচানুপা ইবোমচা কৌবা অমনা মহাক্কী মপাগী খোঙ্গুল লীরক্তুনা মমা তীন্নদবা মচিন-মনাওশিংবু পুনশিন্নবা, শকখঙ-মায়খঙননবা হোৎনরকখি। ইবোমচা পুলিস ওফিসর অমা ওইবদা নত্তনা লুহোংনবা নুপীসু হায়ন-শীংনরে। মহাক্কী লুহোংবদা মপা থানিলনা মপা অমা ওইনা শরুক য়াবীনবা হায়জবদা থানিলনা মচা নত্তে হায়না হায়রল্লবসু মপা-মচাগী নুংশি মরীনা পুনখিদুনা য়াশিন্নবা পুরকখি। হূই ঙাওরগা হূইবু থিবগুম নোংমসু থানিলগী মচানুপী অমা চেল্লে হায়দুনা ময়ূমদা পাউ হায়দোকপা অহল খরা লাকখি। সোমদনা ময়ূমগী মচানুপী মেমচা অমদি নুপী য়াইমগী মচানুপী মনিশংদি য়ূমদা লৈ হায়খি। করম্বা মচানুপীনো হায়বা মহাক খঙখিদে। মমাংঙৈ মহাক্লা লৌরম্বা অতোপ্পা নুপী অমগী মচানুপী ওইরমখি। অসুম্না ইমুং অদু কৈরোই লৈকায়গী মমাঙদা ঈকায়-শঙ্গোয় হায়বদু থোকখি।

মচানুপা লাইঙমনা য়ু ঙাওরবসু মহাক্কী পেন্দবা, মখোয়বু মীয়াম মমাঙদা ঈকায়বা নংহনবা অসিনচিংবা অচুম্বা ৰাফম কয়া অমা কপ্তুনা অহল ওইরক্লবা মপাগী মফমদা ৰাকৎখি। থানিল মচাশিংনা হায়রিবশিংদু লোইনা অচুম্বা ওইবনিনা থেংলবসু থেংনা মহাক ৰাখল তারকই। অদুবু মহাক্লা মপাল ফরিঙৈ মতমদা পাঙথোকখিবা থবকশিং মরু ওইনা নুপী য়াম্না লোল্লুবগী মহয় ওইনা অৱাবা অমদি ঈকায়বশিংসি নংলক্লিবনি হায়বা খঙলকখি। লোয়ননা মচাশিংগী মফমদা মহাক লাল্লে হায়জবনা দ্রামা অসিগী পোলোই ওইখি। দ্রামা অসিগী মিংথোলসিগা ৰারী পরিং অসিগা খজিক তৈনেনা থোল্লক্গসু মীতৈ নুপীনা মপুরোইববু নুংশিজবগী মমিদি তারি।

হেমচান্দ নিংথৌজম

লৌবুক্তা তারিবা তিল খূদিংমক্কী তিল হিদাক কাপ্পসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে !

(The Science Behind the Statement)

ডা: এম থোইথোই সিংহ, ক্রোপ সোল্যুসন্স

ঐখোয়না নুমিৎ খূদিংগী চারিবা চাকসিদা তিল হিদাক্কী চাং ৰাংনা য়াওরমগনি হায়বসি কক্লিংঙাই লৈরোই হায়জনিংই। লমদমসিদা পুথোক্লিবা ফৌ/চেঙসিদা লৌ হিদাক্কী লেমখাক (Pesticide residue) কয়া য়াম্না য়াওরিবনো হায়বসি তঙাইফদনা চাংয়েং তৌথোক্তুনা মীপুম খূদিং খঙহনবা তঙাইফদে। মসি নৎত্রগাদি লৌ হিদাক শীজিন্নবগী চাং অদুম ৰাংনা লৈরনি, হকচাং শোকপদা নত্তনা ঈশিং-নুংশিৎ, লৈবাক পুম্নমক মাঙথরক্কনি।

চরাংনা লৌফমদা তিল ফারগা চাবা

কুমজা ২০১৭-১৮ দা নেসনল লেভেলগী সর্ভে রিপোর্ট অমদা মখল কয়াগী চীঞ্জাক্তা য়াওরকপা পেষ্টিসাইদকী চাং খঙদোক্লবা খোমগৎপা সেম্পল ২৩,৬৬০ গী মনুংদা সেম্পল ৪৫১০ (১৯.১%) দা পেষ্টিসাইদ রেসিদিউ য়াওবগী অদুগা মসিগী মনুংদা সেম্পল ৫২৩ (২.২%) দনা FSSAI (Food Safety and Standard Authority of India) না পীবা হিদাক্কী লেমখাক য়াওবা য়াবগী চাং (Maximum residue limit) কী মথক্তা লৈ।

মখল কয়াগী মনা-মশিং (ফদিগোম-য়াওনা) সেম্পল ১২,৮২১ চাংয়েং তৌবদা ২,৩৯৯ (১৮.৭%) দা লেমখাক য়াওরম্বা অমসুং উহৈ সেম্পল ২,২৭৪ দা ৪৯৪ (২১.৭%) পেষ্টিসাইদ য়াওরম্বদা নত্তনা মসিগী মনুংদা সেম্পল ২৭৭ তা Non approved pesticide শিং য়াওরম্বসিনা হকচাং ফনবনি হায়দুনা মপান লমগী উহৈ চাগদবসু কিরে।

ইরমদমসিগী ওইনদি, লমদমসিমক্তগী পুথোকচদুনা নুমিৎ খূদিংগী চারিবা চেঙসিদা য়াওরম্বা য়াবা লৌ হিদাক্কী লেমখাকশিংগী খল্লুবদা মীপাইবা পোকই। ফৌদা শীজিন্নরিবা নাপী হিদাকশিং, কোকফাই হিদাকশিং, বেক্টেরিয়াগী হিদাকশিং, উচি হিদাক, মখল কয়াগী তিল হিদাকশিংসি মশীং ওইনা থীদোকপদা ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। থাবদগী লোকপা ফাওবগী য়াল্লবদা থা মরি মখায়দু হিদাক কাপ্পবা স্প্রেয়র অদুম য়াল্লগা লৈ হায়নরিবনি। ঙসিদি হোপ্পর্স (ময়াম্না ফৌগী ৰাহিক হায়না খঙনবা)শিংদা কাপ্লিবা হিদাক্কী মশীংখক থীবদা ফৌদুদগী তকপা চেঙদা হিদাক্কী লেমখাক শোয়দনা য়াওরে হায়গনি। কাপ্লিবা হিদাকশিংদুসু লোয়নমক নিয়ম চুম্না (হিদাক মখল, হিদাক্কী চাং, য়ানবগী চাং, কাপ্পগী মতম, কাপ্পগী মওং) কাপ্লমদবসু য়াই। হিদাক্কী লেমখাকশিংসি ময়াম্না খনবগী চাংদগী শোয়দনমক্কী কা হেন্না য়াওরমগনি। শোয়নিংঙাই লৈরোই। কুপ্না থীজিল্লুদবগীনি।

অহিংদা চাক্তাবা মকূনা লৌবুক্তগী উচি ফাবা

চেঙদা তিল হিদাক য়াওরকপগী মরম : মালেমগী ফৌ থানরিবা মফম খূদিংদা তারিবা তিল পুম্নমক্কী মশীং ইথোক্তুনা য়েংবদা ৯০০গী মথক্লি হায়না পানে। হায়রিবা তিলশিং অসিনা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা ফৌ পান্থীশিংদা অকায়বা পী, পোথোক হন্থহল্লি। মণিপুর খক্তা ওইনা য়েংবদা ফৌ পান্থীশিংবু মাঙহল্লিবা তিল মমিংসি ১৫-১৭ মুক্তনি। মসিসু চহী খূদিংদা মখোয় লোয়নমক অকক্লবা মফম অমদা পুল্লপ তাবা নত্তে। থাবদগী লোকপা ফাওবদা তিল মখল তরেৎ-নিপাল তাবা হায়বসি ফাওবদা তাঙলিবনি। খরা তোয়না থেংনবা তিলশিংগী মনুংদা ইঙেল্লাইচুবী, হয়িং তিল, মরেক, উতোং, মনা কোনশিনবী উশিংশা নম্বী, হোপ্পর্সশিংগী মরু ওইবা মখল মরিমক (ময়াম্নদি ৰাহিক হায়না খঙনবা) মমিং পনবা য়াই।

উচেক্লা লৌরক্তগী তিল ফাদোকপা

তারিবা তিলশিং অসিগীদমক হিদাক মথং-মথং কাপশিল্লকপদা নত্তনা, নাপীগী কোকফাই লায়নাগী বেক্টেরিয়াগী ভাইরসকী, নেমাটোদশিংগীদা নত্তনা উচি হাৎনবা হিদাক ফাওবা কাপশিল্লকপনা হিদাক অমা মপুং ফানা থুগায়বা লোইদ্রিঙৈদা অমা অমুক নোৎশিল্লকপনা হিদাক্কী লেমখাক লৈবগী চাং ৰাংলকই।

হিদাক্কী লেমখাক য়াওরকপা হন্থহনবা : ১) হিদাক্কী লেমখাক লৈহন্দবা হায়বসিগী মরু ওইবা থবক্তি হিদাক কাপ্পা হন্থবা অমসুং হিদাক নত্তবদি অতোপ্পা উপায় লৈত্রে হায়বা মতমদতা হিদাক্কী চাং হন্থরক্কনি।

মমাংঙৈগী মতমদদি ফৌদা তাবা অয়াম্বা তিলমখে কাংচেক তিল, ককচেং, তিল চাবা খোই মখলশিং, চরাং, চরাং চপশাং (Damsel Flies), তন্দন, হঙোই, ঙাচক মখল কয়া, লৌরক্তা লৈবা ঙাশিংনা ফৌদা তাবা তিল কয়া অমা চাথোকখিদুনা ফৌদা তাবা তিলনাশিংনা ফৌদা কা হেন্না অকায়বা পীরমদে। ঙসিদি তিলহাৎ হিদাকশিংনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী মীচঙ ওইরিবা মখোয়বুসু লৈফম পীদ্রে। মখোয়গী মশক উদ্রে। মরম অসিনা ঐখোয়গী মীচঙশিংবু শোকহন্দনা ফৌপালশিংবু মাঙহল্লিবা তিলদমক হাৎনবা Farrera, Virtako, Fertera (Chlorantraniliprol 0.4%) কিলো অনী শঙম অমদা চাইথোকপা য়াই। হিদাক অকাপমলসু তিংলরোই।

২) অতোপ্পা অমনা মরেক তিল, মনা কোনশিনবী তিল ময়োন চিকপী, লাক্লুবা ৰারবা আর্মি ৰোর্ম মখল কয়াবুনা উচেকশিংবু লৌফমদা কাইদোংফম পীদুনা মশীং য়ামখৎহনবা তিলশিংদুবু ফাদোকহনবসি য়াম্নমক Scientific ওইবা অকোয়বগী ফীভমসু ফগৎহল্লি। চরোই, শেন্দ্রাং, উরিৎ, খোইনিং পেবেৎ, চোংঙানচিংবা তিল কাঙ ফারগা চাবা উচেক মখল কয়া অমনা লৌবুক্কী তিলশিং চারিবনি। ফৌগী অঙনবা তাঙ্কক্তা ফিট ২০ খূদিংগী ৰাংবা মান্নদবা চৈ/উশা য়ুংবনা তিল য়াম্না হন্থহনগনি। লৌবুক্তুদা অহেনবা তিল লৈরবা মতমদতা মফমদুগা চানবা হিদাক কাপ্লীয়ু। লৌউবদা চঙবা শেঞ্জং হন্থহনসি, অকোয়বগী ফীভম ফহনসি। খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবদি লৌ হিদাক্কী লেমখাক চীঞ্জাক্তা য়াওহন্দবসিনি।

ꯂꯧꯕꯨꯛꯇꯥ ꯇꯥꯔꯤꯕꯥ ꯇꯤꯜ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛꯀꯤ ꯇꯤꯜ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯀꯥꯞꯄꯁꯤ ꯑꯆꯨꯝꯕꯥ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡ ꯅꯠꯇꯦ

(The Science Behind the Statement)

ꯗꯥ. ꯑꯦꯝ ꯊꯣꯏꯊꯣꯏ ꯁꯤꯡꯍ, ꯀ꯭ꯔꯣꯞ ꯁꯣꯂꯨꯁꯟꯁ

ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯆꯥꯔꯤꯕꯥ ꯆꯥꯛꯁꯤꯗꯥ ꯇꯤꯜ ꯍꯤꯗꯥꯛꯀꯤ ꯆꯥꯡ ꯔꯥꯡꯅꯥ ꯌꯥꯎꯔꯃꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯀꯛꯂꯤꯡꯉꯥꯏ ꯂꯩꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯖꯅꯤꯡꯏ꯫ ꯂꯝꯗꯝꯁꯤꯗꯥ ꯄꯨꯊꯣꯛꯂꯤꯕꯥ ꯐꯧ/ꯆꯦꯡꯁꯤꯗꯥ ꯂꯧ ꯍꯤꯗꯥꯛꯀꯤ ꯂꯦꯃꯈꯥꯛ (Pesticide residue) ꯀꯌꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯌꯥꯎꯔꯤꯕꯅꯣ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯅꯥ ꯆꯥꯡꯌꯦꯡ ꯇꯧꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯃꯤꯄꯨꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡ ꯈꯉꯍꯅꯕꯥ ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯦ꯫ ꯃꯁꯤ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥꯗꯤ ꯂꯧ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕꯒꯤ ꯆꯥꯡ ꯑꯗꯨꯝ ꯔꯥꯡꯅꯥ ꯂꯩꯔꯅꯤ, ꯍꯛꯆꯥꯡ ꯁꯣꯛꯄꯗꯥ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯏꯁꯤꯡ-ꯅꯨꯡꯁꯤꯠ, ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯃꯥꯡꯊꯔꯛꯀꯅꯤ꯫

ꯀꯨꯝꯖꯥ ꯲꯰꯱꯷-꯱꯸ ꯗꯥ ꯅꯦꯁꯅꯜ ꯂꯦꯚꯦꯂꯒꯤ ꯁꯔꯚꯦ ꯔꯤꯄꯣꯔꯠ ꯑꯃꯗꯥ ꯃꯈꯜ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯆꯤꯟꯖꯥꯛꯇꯥ ꯌꯥꯎꯔꯀꯄꯥ ꯄꯦꯁ꯭ꯇꯤꯁꯥꯏꯗꯀꯤ ꯆꯥꯡ ꯈꯉꯗꯣꯛꯂꯕꯥ ꯈꯣꯃꯒꯠꯄꯥ ꯁꯦꯝꯄꯜ ꯲꯳,꯶꯶꯰ ꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯁꯦꯝꯄꯜ ꯴꯵꯱꯰ (꯱꯹.꯱%) ꯗꯥ ꯄꯦꯁ꯭ꯇꯤꯁꯥꯏꯗ ꯔꯦꯁꯤꯗꯤꯎ ꯌꯥꯎꯕꯒꯤ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯁꯦꯝꯄꯜ ꯵꯲꯳ (꯲.꯲%) ꯗꯅꯥ FSSAI (Food Safety and Standard Authority of India) ꯅꯥ ꯄꯤꯕꯥ ꯍꯤꯗꯥꯛꯀꯤ ꯂꯦꯃꯈꯥꯛ ꯌꯥꯎꯕꯥ ꯌꯥꯕꯒꯤ ꯆꯥꯡ (Maximum residue limit) ꯀꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯂꯩ꯫

ꯃꯈꯜ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯃꯅꯥ-ꯃꯁꯤꯡ (ꯐꯗꯤꯒꯣꯝ-ꯌꯥꯎꯅꯥ) ꯁꯦꯝꯄꯜ ꯱꯲,꯸꯲꯱ ꯆꯥꯡꯌꯦꯡ ꯇꯧꯕꯗꯥ ꯲,꯳꯹꯹ (꯱꯸.꯷%) ꯗꯥ ꯂꯦꯃꯈꯥꯛ ꯌꯥꯎꯔꯝꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯎꯍꯩ ꯁꯦꯝꯄꯜ ꯲,꯲꯷꯴ ꯗꯥ ꯴꯹꯴ (꯲꯱.꯷%) ꯄꯦꯁ꯭ꯇꯤꯁꯥꯏꯗ ꯌꯥꯎꯔꯝꯕꯗꯥ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯁꯦꯝꯄꯜ ꯲꯷꯷ ꯇꯥ Non approved pesticide ꯁꯤꯡ ꯌꯥꯎꯔꯝꯕꯁꯤꯅꯥ ꯍꯛꯆꯥꯡ ꯐꯅꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯃꯄꯥꯟ ꯂꯃꯒꯤ ꯎꯍꯩ ꯆꯥꯒꯗꯕꯁꯨ ꯀꯤꯔꯦ꯫

ꯏꯔꯝꯗꯝꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯗꯤ, ꯂꯝꯗꯝꯁꯤꯃꯛꯇꯒꯤ ꯄꯨꯊꯣꯛꯆꯗꯨꯅꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯆꯥꯔꯤꯕꯥ ꯆꯦꯡꯁꯤꯗꯥ ꯌꯥꯎꯔꯝꯕꯥ ꯌꯥꯕꯥ ꯂꯧ ꯍꯤꯗꯥꯛꯀꯤ ꯂꯦꯃꯈꯥꯛꯁꯤꯡꯒꯤ ꯈꯜꯂꯨꯕꯗꯥ ꯃꯤꯄꯥꯏꯕꯥ ꯄꯣꯀꯏ꯫ ꯐꯧꯗꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯤꯕꯥ ꯅꯥꯄꯤ ꯍꯤꯗꯥꯛꯁꯤꯡ, ꯀꯣꯛꯐꯥꯏ ꯍꯤꯗꯥꯛꯁꯤꯡ, ꯕꯦꯛꯇꯦꯔꯤꯌꯥꯒꯤ ꯍꯤꯗꯥꯛꯁꯤꯡ, ꯎꯆꯤ ꯍꯤꯗꯥꯛ, ꯃꯈꯜ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯇꯤꯜ ꯍꯤꯗꯥꯛꯁꯤꯡꯁꯤ ꯃꯁꯤꯡ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯊꯤꯗꯣꯛꯄꯗꯥ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯂꯥ ꯌꯥꯝꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯊꯥꯕꯗꯒꯤ ꯂꯣꯛꯄꯥ ꯐꯥꯎꯕꯒꯤ ꯌꯥꯜꯂꯕꯗꯥ ꯊꯥ ꯃꯔꯤ ꯃꯈꯥꯌꯗꯨ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯀꯥꯞꯄꯕꯥ ꯁ꯭ꯄ꯭ꯔꯦꯌꯔ ꯑꯗꯨꯝ ꯌꯥꯜꯂꯒꯥ ꯂꯩ ꯍꯥꯌꯅꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯉꯁꯤꯗꯤ ꯍꯣꯞꯄꯔꯁ (ꯃꯌꯥꯝꯅꯥ ꯐꯧꯒꯤ ꯔꯥꯍꯤꯛ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯈꯉꯅꯕꯥ)ꯁꯤꯡꯗꯥ ꯀꯥꯞꯂꯤꯕꯥ ꯍꯤꯗꯥꯛꯀꯤ ꯃꯁꯤꯡꯈꯛ ꯊꯤꯕꯗꯥ ꯐꯧꯗꯨꯗꯒꯤ ꯇꯛꯄꯥ ꯆꯦꯡꯗꯥ ꯍꯤꯗꯥꯛꯀꯤ ꯂꯦꯃꯈꯥꯛ ꯁꯣꯌꯗꯅꯥ ꯌꯥꯎꯔꯦ ꯍꯥꯌꯒꯅꯤ꯫ ꯀꯥꯞꯂꯤꯕꯥ ꯍꯤꯗꯥꯛꯁꯤꯡꯗꯨꯁꯨ ꯂꯣꯌꯅꯃꯛ ꯅꯤꯌꯝ ꯆꯨꯝꯅꯥ (ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯃꯈꯜ, ꯍꯤꯗꯥꯛꯀꯤ ꯆꯥꯡ, ꯌꯥꯟꯕꯒꯤ ꯆꯥꯡ, ꯀꯥꯞꯄꯒꯤ ꯃꯇꯝ, ꯀꯥꯞꯄꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡ) ꯀꯥꯞꯂꯃꯗꯕꯁꯨ ꯌꯥꯏ꯫ ꯍꯤꯗꯥꯛꯀꯤ ꯂꯦꯃꯈꯥꯛꯁꯤꯡꯁꯤ ꯃꯌꯥꯝꯅꯥ ꯈꯅꯕꯒꯤ ꯆꯥꯡꯗꯒꯤ ꯁꯣꯌꯗꯅꯃꯛꯀꯤ ꯀꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯌꯥꯎꯔꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯁꯣꯌꯅꯤꯡꯉꯥꯏ ꯂꯩꯔꯣꯏ꯫ ꯀꯨꯞꯅꯥ ꯊꯤꯖꯤꯜꯂꯨꯗꯕꯒꯤꯅꯤ꯫

ꯆꯦꯡꯗꯥ ꯇꯤꯜ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯌꯥꯎꯔꯀꯄꯒꯤ ꯃꯔꯝ : ꯃꯥꯂꯦꯃꯒꯤ ꯐꯧ ꯊꯥꯅꯔꯤꯕꯥ ꯃꯐꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯗꯥ ꯇꯥꯔꯤꯕꯥ ꯇꯤꯜ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯀꯤ ꯃꯁꯤꯡ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯌꯦꯡꯕꯗꯥ ꯹꯰꯰ꯒꯤ ꯃꯊꯛꯂꯤ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯄꯥꯅꯦ꯫ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯥ ꯇꯤꯜꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯍꯛꯊꯦꯡꯅꯅꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯅꯥꯀꯣꯌꯅꯅꯥ ꯐꯧ ꯄꯥꯟꯊꯤꯁꯤꯡꯗꯥ ꯑꯀꯥꯌꯕꯥ ꯄꯤ, ꯄꯣꯊꯣꯛ ꯍꯟꯊꯍꯜꯂꯤ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯈꯛꯇꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯌꯦꯡꯕꯗꯥ ꯐꯧ ꯄꯥꯟꯊꯤꯁꯤꯡꯕꯨ ꯃꯥꯡꯍꯜꯂꯤꯕꯥ ꯇꯤꯜ ꯃꯃꯤꯡꯁꯤ ꯱꯵-꯱꯷ ꯃꯨꯛꯇꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯁꯨ ꯆꯍꯤ ꯈꯨꯗꯤꯡꯗꯥ ꯃꯈꯣꯌ ꯂꯣꯌꯅꯃꯛ ꯑꯀꯛꯂꯕꯥ ꯃꯐꯝ ꯑꯃꯗꯥ ꯄꯨꯜꯂꯞ ꯇꯥꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯊꯥꯕꯗꯒꯤ ꯂꯣꯛꯄꯥ ꯐꯥꯎꯕꯗꯥ ꯇꯤꯜ ꯃꯈꯜ ꯇꯔꯦꯠ-ꯅꯤꯄꯥꯜ ꯇꯥꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯐꯥꯎꯕꯗꯥ ꯇꯥꯡꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯈꯔꯥ ꯇꯣꯌꯅꯥ ꯊꯦꯡꯅꯕꯥ ꯇꯤꯜꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯏꯉꯦꯜꯂꯥꯏꯆꯨꯕꯤ, ꯍꯌꯤꯡ ꯇꯤꯜ, ꯃꯔꯦꯛ, ꯎꯇꯣꯡ, ꯃꯅꯥ ꯀꯣꯟꯁꯤꯅꯕꯤ ꯎꯁꯤꯡꯁꯥ ꯅꯝꯕꯤ, ꯍꯣꯞꯄꯔꯁꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯃꯈꯜ ꯃꯔꯤꯃꯛ (ꯃꯌꯥꯝꯅꯗꯤ ꯔꯥꯍꯤꯛ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯈꯉꯅꯕꯥ) ꯃꯃꯤꯡ ꯄꯅꯕꯥ ꯌꯥꯏ꯫

ꯇꯥꯔꯤꯕꯥ ꯇꯤꯜꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯃꯊꯪ-ꯃꯊꯪ ꯀꯥꯞꯁꯤꯜꯂꯀꯄꯗꯥ ꯅꯠꯇꯅꯥ, ꯅꯥꯄꯤꯒꯤ ꯀꯣꯛꯐꯥꯏ ꯂꯥꯌꯅꯥꯒꯤ ꯕꯦꯛꯇꯦꯔꯤꯌꯥꯒꯤ ꯚꯥꯏꯔꯁꯀꯤ, ꯅꯦꯃꯥꯇꯣꯗꯁꯤꯡꯒꯤꯗꯥ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯎꯆꯤ ꯍꯥꯠꯅꯕꯥ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯀꯥꯞꯁꯤꯜꯂꯀꯄꯅꯥ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯑꯃꯥ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯅꯥ ꯊꯨꯒꯥꯌꯕꯥ ꯂꯣꯏꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩꯗꯥ ꯑꯃꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯅꯣꯠꯁꯤꯜꯂꯀꯄꯅꯥ ꯍꯤꯗꯥꯛꯀꯤ ꯂꯦꯃꯈꯥꯛ ꯂꯩꯕꯒꯤ ꯆꯥꯡ ꯔꯥꯡꯂꯀꯏ꯫

ꯍꯤꯗꯥꯛꯀꯤ ꯂꯦꯃꯈꯥꯛ ꯌꯥꯎꯔꯀꯄꯥ ꯍꯟꯊꯍꯅꯕꯥ : ꯱) ꯍꯤꯗꯥꯛꯀꯤ ꯂꯦꯃꯈꯥꯛ ꯂꯩꯍꯟꯗꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯊꯕꯛꯇꯤ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯀꯥꯞꯄꯥ ꯍꯟꯊꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯅꯠꯇꯕꯗꯤ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯎꯄꯥꯌ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯃꯇꯃꯗꯇꯥ ꯍꯤꯗꯥꯛꯀꯤ ꯆꯥꯡ ꯍꯟꯊꯔꯛꯀꯅꯤ꯫

ꯃꯃꯥꯡꯉꯩꯒꯤ ꯃꯇꯃꯗꯗꯤ ꯐꯧꯗꯥ ꯇꯥꯕꯥ ꯑꯌꯥꯝꯕꯥ ꯇꯤꯜꯃꯈꯦ ꯀꯥꯡꯆꯦꯛ ꯇꯤꯜ, ꯀꯛꯆꯦꯡ, ꯇꯤꯜ ꯆꯥꯕꯥ ꯈꯣꯏ ꯃꯈꯜꯁꯤꯡ, ꯆꯔꯥꯡ, ꯆꯔꯥꯡ ꯆꯞꯁꯥꯡ (Damsel Flies), ꯇꯟꯗꯟ, ꯍꯉꯣꯏ, ꯉꯥꯆꯛ ꯃꯈꯜ ꯀꯌꯥ, ꯂꯧꯔꯛꯇꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯉꯥꯁꯤꯡꯅꯥ ꯐꯧꯗꯥ ꯇꯥꯕꯥ ꯇꯤꯜ ꯀꯌꯥ ꯑꯃꯥ ꯆꯥꯊꯣꯛꯈꯤꯗꯨꯅꯥ ꯐꯧꯗꯥ ꯇꯥꯕꯥ ꯇꯤꯜꯅꯥꯁꯤꯡꯅꯥ ꯐꯧꯗꯥ ꯀꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯑꯀꯥꯌꯕꯥ ꯄꯤꯔꯃꯗꯦ꯫ ꯉꯁꯤꯗꯤ ꯇꯤꯜꯍꯥꯠ ꯍꯤꯗꯥꯛꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯔꯝ ꯑꯣꯏꯔꯒꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯤꯆꯪ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯃꯈꯣꯌꯕꯨꯁꯨ ꯂꯩꯐꯝ ꯄꯤꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯁꯛ ꯎꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯔꯝ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯤꯆꯪꯁꯤꯡꯕꯨ ꯁꯣꯛꯍꯟꯗꯅꯥ ꯐꯧꯄꯥꯂꯁꯤꯡꯕꯨ ꯃꯥꯡꯍꯜꯂꯤꯕꯥ ꯇꯤꯜꯗꯃꯛ ꯍꯥꯠꯅꯕꯥ Farrera, Virtako, Fertera (Chlorantraniliprol 0.4%) ꯀꯤꯂꯣ ꯑꯅꯤ ꯁꯪꯃ ꯑꯃꯗꯥ ꯆꯥꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯌꯥꯏ꯫ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯑꯀꯥꯞꯃꯜꯁꯨ ꯇꯤꯡꯂꯔꯣꯏ꯫

꯲) ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯃꯔꯦꯛ ꯇꯤꯜ, ꯃꯅꯥ ꯀꯣꯟꯁꯤꯅꯕꯤ ꯇꯤꯜ ꯃꯌꯣꯟ ꯆꯤꯛꯄꯤ, ꯂꯥꯛꯂꯨꯕꯥ ꯔꯥꯔꯕꯥ ꯑꯥꯔꯃꯤ ꯔꯣꯔꯝ ꯃꯈꯜ ꯀꯌꯥꯕꯨꯅꯥ ꯎꯆꯦꯛꯁꯤꯡꯕꯨ ꯂꯧꯐꯃꯗꯥ ꯀꯥꯏꯗꯣꯡꯐꯝ ꯄꯤꯗꯨꯅꯥ ꯃꯁꯤꯡ ꯌꯥꯃꯈꯠꯍꯅꯕꯥ ꯇꯤꯜꯁꯤꯡꯗꯨꯕꯨ ꯐꯥꯗꯣꯛꯍꯅꯕꯁꯤ ꯌꯥꯝꯅꯃꯛ Scientific ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯑꯀꯣꯌꯕꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯁꯨ ꯐꯒꯠꯍꯜꯂꯤ꯫ ꯆꯔꯣꯏ, ꯁꯦꯟꯗ꯭ꯔꯥꯡ, ꯎꯔꯤꯠ, ꯈꯣꯏꯅꯤꯡ ꯄꯦꯕꯦꯠ, ꯆꯣꯡꯉꯥꯟꯆꯤꯡꯕꯥ ꯇꯤꯜ ꯀꯥꯡ ꯐꯥꯔꯒꯥ ꯆꯥꯕꯥ ꯎꯆꯦꯛ ꯃꯈꯜ ꯀꯌꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯂꯧꯕꯨꯛꯀꯤ ꯇꯤꯜꯁꯤꯡ ꯆꯥꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯐꯧꯒꯤ ꯑꯉꯅꯕꯥ ꯇꯥꯡꯀꯛꯇꯥ ꯐꯤꯠ ꯲꯰ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯔꯥꯡꯕꯥ ꯃꯥꯟꯅꯗꯕꯥ ꯆꯩ/ꯎꯁꯥ ꯌꯨꯡꯕꯅꯥ ꯇꯤꯜ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯍꯟꯊꯍꯅꯒꯅꯤ꯫ ꯂꯧꯕꯨꯛꯇꯨꯗꯥ ꯑꯍꯦꯅꯕꯥ ꯇꯤꯜ ꯂꯩꯔꯕꯥ ꯃꯇꯃꯗꯇꯥ ꯃꯐꯃꯗꯨꯒꯥ ꯆꯥꯟꯕꯥ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯀꯥꯞꯂꯤꯌꯨ꯫ ꯂꯧꯎꯕꯗꯥ ꯆꯉꯕꯥ ꯁꯦꯟꯖꯡ ꯍꯟꯊꯍꯅꯁꯤ, ꯑꯀꯣꯌꯕꯒꯤ ꯐꯤꯚꯝ ꯐꯍꯅꯁꯤ꯫ ꯈ꯭ꯕꯥꯏꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯕꯗꯤ ꯂꯧ ꯍꯤꯗꯥꯛꯀꯤ ꯂꯦꯃꯈꯥꯛ ꯆꯤꯟꯖꯥꯛꯇꯥ ꯌꯥꯎꯍꯟꯗꯕꯁꯤꯅꯤ꯫

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৰাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২১।০৭।২০২৪ ইং, নোংমাইজিং ;
নুংথিল পুং ৩.৫৬ ফাওবা ইঙেলগী থানিলনি, মতুংদি ১৬নি পাল্লনি।

মেষ: লাই-গুরুনা চানবীবনা অথোইবা লৌশিং অমদি লেঙদবা নরল ফংজগনি। মীয়াম্না চাল্লি, নীংবা মপা চাগনি। মীতোপ্না লৌথোক্লিংবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংগী- মীৰা লৌদ্রদি ৰাখল নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

বৃষ: থাজদনা নক্লবনা নমথাক তৌবীগনি, লাইথোক্লনু। অদুবু অহকপা য়েক্লবদি লায়না লাকশিনগনি। মীয়াম্না চাল্লি অদুনা কনাগী মতেং য়াওদ্রসু মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশি মরীদি চেৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

মিথুন: ৰাঙাং শোয়বনা মাঙবা য়াবদৈদি কোকচরনি। পোরম শীন্দোকপা য়াম্না হৈবা অমদি নক্লবশিংনা চানবীবা লৈ। চরাংনবা/ফিংবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংগী- ইকায় খুম্নবীরনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

কর্কট: ঙসিসু হকচাং নুংঙাইরনি, ৰাখল থোক্লনি, ওইজবা তশেংনা ফংগনি। য়েৎনবনা তুংওইনরগা অচুম্বনা মাঙওইনরগা চঙশিল্লদি মায়থিবা লৈররোই।
লৈশা পাখংগী- ইকায় খুম্নবীরনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

সিংহ: চিংনরনু অফবা মতম লাক্লে। খূৎচাও থানা ওইজবা তানবা মতাং চারনি। তৌবতবু নাপল তৌগনু, ঈৰাং পুগনু অমদি মরুপ খনবদি হৈয়ু।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

কন্যা: লাইবক ফবা খরা ৰাৎলসু হোৎনবা কনবনা শোয়দনা মহয় চাগদবা নুমিৎনি। তুশোন্নগনু মাঙজিল থানা চঙশিল্লু, য়েক্লববু ঙমদুনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংগী- ইচঙ থৌবগী মহয় ফংজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

তুলা: ৰানোম-থৌনোম মায় পাকপগী নুংঙাইজবা অমদি মীয়াম্না ইকায় খুম্নবীবা নুমিৎনি। নখা থাবনা য়েংশিনবা, শাওনবনা শোক-পনবা য়াই, চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংগী- মায় পাকচগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃশ্চিক: অঙম-অথৌনা থোইনা চানবীবগী নুংঙাইজৈ। লৈজবা লৌশিং ফুদোক্লা থৌ পাঙবনা মফম অমদি কনবসু ঙমগনি।।
লৈশা পাখংগী- অশা চাউরুনু, কান্নরোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেঙ

ধনু: অনম তানবনা তুংগী খুদোংচাবা মাঙহনগনু। মরম খঙদনা হোয়া ফবনা নরল ময়েং তাগনি। ফংবা য়াবা মীয়ামগী মতেংদি ফংগনি, মখোয়গী ৰা তাউ।
লৈশা পাখংগী- নুংশি মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

মকর: চোপ্পা ইকায়বা নংবদগী কোকচবা, অরং-অরাক ফংবগুম মায় পাক্কনি, শেন্দোং তানবদসু চাউনা কান্নগনি। শোকপা য়াবদৈদি য়াম্না চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংগী- পূক্লিং পেন্না নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

কুম্ভ: মীচঙ লৈতবা নুমিৎনি। ঐনা মতোল্লে খন্না চৎলু, নোল্লুকপা হায়বসিনা য়েক্লববু লাকশিন্নবা উপায়নি। তুংদা মীচঙ ওইগদবা মীদা মতেং পাঙথোকউ।
লৈশা পাখংগী- পূকচেল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

মীন: মরী-মতা/নক্লবা মীগা ৰা তান্নবনা খ্বাইদগী কান্নগদবা অমদি মীয়াম্না পাম্নগদবা নুমিৎনি। নাইতোম তাবদি নুংশা থিবা মায়োক্লবা য়াই, ঙক কনগনু।
লৈশা পাখংগী- হান্নগুম মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।